# দেল্লি ৱেভরাইদরসনা কলিঙ্গা লেন্সরসপু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ

দেল্লি ৱেভরাইদরসনা কলিঙ্গা লেন্সরসপু মফম অসিগী শিভাজি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) গী অরোইবা পুল ফেজগী মেচতা ৬-০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

দেল্লি স্কিপ্পর সিমোন চাইল্ড অমদি পার্ভিন্দর সিংহ অমদি ড্রেগ ফ্লিক্কর রুপিন্দর পাল সিংহনা চনখিবা গোলনা দেল্লিনা ৬-০ দা মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি। ঐচ আই এলগী হৌজিক চথরিবা এদিসন অসিদা ফিল্ড গোলবু গোল অনী ওইনা কাউন্ট তৌরি।

অদুবু মেচ অদুগী অশেংবা ষ্টারদি ৱেভরাইদরসকী গোলকিপর দেভোন মোঞ্চেষ্টরনা ওইখি। মহাক্না মহাক্কী লৈজবী পার্ফোর্মেন্স অদু উৎতুনা য়ুম্মুনা পোইন্ট মঙা ফংনবা চঙনশিনখিবা লম্বীদা চাউনা মতেং পাংখি। মসিনা মরম ওইদুনা ৱেভরাইদরসনা টেবলগী মমৈ ইথং থংবদা লৈরম্বদগী পোইন্ট মঙা ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা হায়গৎলকপদগী লীগ অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহুমশুবা টিম ওইখি। সেমী ফাইনেল দেল্লি ৱেভরাইদরসনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স রাঞ্চি রেজগা মায়োক্নদুনা থাংজ নুমীৎতা শান্নগিনি।

কলিঙ্গা লেন্সরসনা লীগকী টেবলদ মরিশুবা মফমদা লৈবা ঙমখিবদগী নোকআউটকীদমক হান্ননা ক্বালিফাইদ ওইখি অদুদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স রাঞ্চি রেজ অমদি জে পি পঞ্জাব ৱারিয়রসনা লীগকী অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিসন তাদুনা হান্ননা সেমী ফাইনেল চঙখ্রবনি। দবাং মুম্বাই অমদি উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসনা কম্পিটিসন অসিদগী মপান থোককি।

দেল্লি ৱেভরাইদরস অমদি কলিঙ্গা লেন্সরসনা মেচকী অহানবা ক্বার্টরদা অকনবা লম্বী তৌদুনা অমনা অমগী মফমদা হেঞ্জিন্নবা য়াদবা শান্নখিবনা ক্বার্টর অসিদা গোল চন্নবা ঙম্মখিদে। টিম অনীমক্না মেচকী অনীশুবা ক্বার্টরদদি অহানবা ক্বার্টরদগী হেন্না মতিং লৈনা শান্নরকখি। মেচকী ১৬ চৎপা মিনিটতা লেন্সরসকী দিফেন্দর গুরজিন্দর সিংহনা দেল্লিগী গোলমাউথ তম্না বোল পুশিন্দুনা চঙশিনখিবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা অমা ফংখ্রবসু দেল্লি কষ্টদিয়ন মাঞ্চেষ্টরনা কন্না থিংখিবদগী অরেম্বা তাখি। দেল্লিসু মায়োক্নখিবা মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু রুপিন্দর পাল সিংহনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। হনবা লৈতনা দেল্লিনা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্দর অমা ফংদুনা মদুবু রুপিন্দর পাল সিংহনা অমুক হন্না গোল ওন্থোক্তুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। মাঙজিল থাখিবা মতুং মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা টিম কেপ্টেন সাইমন চাইল্ডনা ফিল্ড গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ৪-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

কলিঙ্গা লেন্সরসপু গোল চন্নবা দেল্লি ৱেভরাইদরসকী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌরবসু দেল্লিগী কষ্টদিয়ন মাঞ্চেষ্টরনা অকনবা মওংদা থিংখিবনা গোল চনবা ঙমখিদে। দেল্লিগী টালৱিন্দর সিংহনা মেচকী মিনিট ৫৬ চৎপা মতমদা খায়দোকখিবা বোল অমা পৱিন্দর সিংহনা লল্লুগা কলিঙ্গাগী কষ্টদিয়ন চার্টরবু নমহৎলম্লগা বোল অদু কনশিনখিদুনা ফিল্ড গোল অমা ওন্থোক্তুনা ৬-০ দা কলিঙ্গা লেন্সরসপু মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা অহুমশুবা টিম ওইখি।

# অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী শেম শারিবশিং অপেনবা পোকই : ফিফা ইন্সপেক্সন টিম

কোলকাটা, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ

হৌজিক কোলকাটাগী য়ুভা ভারতি কুরঙ্গনদা শেম শারিবা ফীভমবু ফিফাগী ইনস্পেক্সন টিম অমনা ঙরাং য়েংশিনখিবগা লোয়নন অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা ৱর্ল্ড ক্লাসকী ষ্টেদিয়ম অমা ওইবগী তঙাইফদবা ফেসিলিটিশিং লৈহন্নবা অপীকপা থবক থৌরম খরা হোংদোক্লবা প্রোপোজ তৌখ্রে।

লাক্লিবা কুমজা ২০১৭ তা ইন্দিয়ানা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী মেচশিং শান্নগদবা ষ্টেদিয়মশিং য়েংশিনবা লাকখিবা ফিফাগী ইনস্পেক্সন টিম অমা ঙরাং কোচি, গোৱা অমদি মুম্বাইগী ষ্টেদিয়মশিংসু য়েংশিনখ্রবনি।

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ দেলিগেসন টিমগী হেদ ওফ ইভেন্টস জেমি য়ারজানা হায়খি, ঐখোয়না ষ্টেদিয়মশিং শগোলশেন নুমীৎতা য়েংশিনখ্রে। মফম অসিদা তৌরিবা থৌরাংশিং অমদি থবক থৌরমশিং খ্বাইদগী ফবা মওংদা পায়খৎলি। হৌজিক ফাওবদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মহে য়ানবা অমদি অপেনবা হায়বদু ওইরি। শেব শাবগী থবক পায়খৎলিবা অসিদা খরা খক শেমদোকপা মথৌ তারি। ঐখোয়না লাক্লিবা ওক্টোবর থাদা অরোইবা ওইনা য়েংশিন্নবা মফম অসিদা হল্লকখিগনি হায়খি।

চাং য়ামদবা মওংদা শেমদোক্কদৌরিবা অসিগী মতাংদা য়ারজানা হায়খি, মসি চাং য়ামদবা মওংদা শেমদোক্তুনা অফবা মায়কৈদা চৎনবনি।

সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম হায়রগসু খঙনরিবা য়ুভা ভারতি কুরঙ্গন অসি কুমজা ২০১৭ কী ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী খনগৎখ্রবা ভেন্যুশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী স্পোর্টস মিনিষ্টর অরুপ বিস্বাসনা ষ্টেদিয়ম অসিবু য়েংশিনখ্রবা মতুংদা অপেনবা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না ইন্দিয়াদা লৈদুনা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী শেম শারিবশিং য়েংশিল্লিবনি।

য়ারজানা লুচিংবা ফিফাগী দেলিগেসন অসিনা অতোপ্পা সিটি অনী ন্যু দিল্লি অমসুং গুৱাহাতিদসু চৎকনি। মখোয়না মমাঙদা কোচি, মুম্বাই অমদি গোৱাদা চৎতুনা মফম অদুগী ষ্টেদিয়মশিং য়েংশিনখ্রবনি।

ঐখোয়না চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা অশানবা মীৎয়েং থম্লি। মতম অদুদা শেম শারিবা ময়াম অসি লোইশিন্দুনা থমগনি। মসি ফিফাগী নিয়ম মতুংইন্না টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদবা চহী অমগী মমাঙদা শেম শাবা পুম্নমক লোইশিনগদবনি হায়না অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্টগী দিরেক্টর জেভিয়র সোপ্পিনা হায়খি।

ষ্টেদিয়মদা মেচশিং য়েংগদবা মীয়ামগী কেপাসিটিগী মতাংদা সেপ্পিনা হায়খি, ষ্টেদিয়ম অসিদা চাউরাক্না মীওই লিশিং ৮৫ রোমদি চনগনি। ষ্টেদিয়ম অসিগী হান্না লৈজবা কেপাসিটিদি লাখ অমগা লিশিং তরানি হানা ঐনা হায়রি। অদুবু লন্নাই সিট য়াওরগা ষ্টেদিয়ম অসিগী কেপাসিটি সিট অসি ৮৫,০০০ হন্থরে। মসি ওইদুনসু অফবা অমদি ওইরে মরমদি সিক্যুরিটিগী শিন্দোক শিঞ্জিনদা য়াম্না ফরে হায়না মহাক্না হায়খি।

য়ারজা অমদি সেপ্পি য়াওবা ফিফাগী দেলিগেসন অদুদা য়াওরিবা অতোপ্পা মীওইশিংদি ট্রেসি লু, ফেলিপ রেষ্ট্রেপো অমদি ভিজয় পার্থাসারাথি (কম্পিটিসন্স দিপার্টমেন্ট), খৃষ্টিনা হোল্লরনা (মার্কেটিং), জোকেম ষ্টেনহোফ (মেদিয়া) পাউল কালদর (টি ভি), জীন পৈরে কোলটগেন (টিকের্টিং), মাইক পফিষ্টর (সেনিয়র দিভলপমেন্ট মেনেজর) অমদি শাজি প্রভাকরন (দিভলপমেন্ট ওফিসার) নি।



# আই-লীগ : মোহুন বগাননা শিল্লোং লাজোং এফ সিগা দ্রো চৎখিবদগী টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে



কোলকাটা, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ

মোহুন বগান অমসুং শিল্লোং লাজোংগা মফম অসিগী বরাসাট ষ্টেদিয়মদা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা পাঙথোকখিবা হেরো আই লীগকী মেচতা গোল ১-১ দা দ্রো চৎখিদুনা মোহুন বগাননা লীগ অসিগী টেবলদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখ্রে।

শিল্লোং লাংজোংগী নহা ওইরবা প্লেয়র চীংলেনসনানা অহানবা হাফতা টিম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি অমদি মেচকী অনীশুবা হাফতা মোহুন বগানগী জেজে লালপেখুলৱানা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

শিল্লোং লাজোংনা অহানবা হাফতা অকনবা লম্বা তৌদুনা নীংথিনা শান্নরকখি। লাজোংনা মেচ মায় পাক্তুনা পোইন্ট অহুম ফংনবা পান্দমদা অকনবা প্রেসর পীদুনা মোহুন বগানগী মায়কৈদা তকশিনখি। মখোয়গী এটেক্তা ফ্রী কিক অমা মেচকী য়াম্না ঙন্না মিনিট ৪ চৎপা মতমদা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংখি। ফ্রী কিক অদু য়ুইল্লিয়মসনা কাওশিনখিবদা মোহুন বগাননা য়াম্না লায়না ঙাকথোকখিদুনা অরেম্বা তাখি।

লাজোংনা অহানবা হাফতা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখি। মখোয়গী মিদফিল্ডর পেন ওর্জিনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু মহাক্কী শুটশিং অদু মশক থোকপা ঙমখিদবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মোহুন বগাননা অহানবা হাফকী মিনিট ১৫ ফাওবা বোল নিংথিনা পায়দুনা শান্নবা ঙমখিদ্রবসু মতুং তারকপদা এটেকশিং তৌরক্তুনা গোল চন্নবা অঙম্বা থাক্তগা হোৎনরকখি। লাজোংনা মেচকী মিনিট ৩০ চৎপা মতমদা ফংখিবা কোর্নর কিক অমদা য়ুইল্লিয়মসনা ৱাংনা কাওশিনখিবা বোল অদু আইবোরনা হেদিং অমুক তৌরকখিবদা চীংলেনসনানা ওক্লগা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখি।

লাজোংনা গোল চনখিবগী তপথদ্রবা মোহন বগাননা মায়োক্ন খিবা মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ ফাওবদি গোল হন্দোকপা ঙমদনা ০-১ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা মোহুন বগাননা য়াম্না টেম্পো লৈনা শান্নরক্তুনা লাজোংগী মায়কৈদা তকখৎখি। মখোয়গী এটেক্তা ফ্রী কিক অমা ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। শিল্লোং লাজোংসু অহানবা হাফতা শান্নখিবা চাং অদুদগী অনীশুবা হাফতা তাথনা শান্নরকখিবনা অহেনবা গোল চন্নবগী আশা উখিদে। অদুবু মোহুন বগাননা গোল হন্দোক্নবা অচেৎপা ফীরেপকা লোয়ননা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫৯ চৎপা মতমদা জেজে লালপেখুলরানা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। গোল চনখ্রবা মতুং মোহুন বগানগী এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৭৯ চৎপা মতমদা গোল চন্নবগী খুদোংচাবা ফংদুনা বালৱিন্টনা হেদিং তৌশিনখিবদা লাজোংগী গোল পোষ্টতা বোল অদু পানখিদুনা অরেম্বদা তাখি। টিম অনীনা অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্মদনা ১-১ দা দ্রো চৎখি।

মেচ মায় পাকখিবা অসিনা মোহুন বগাননা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা লীগকী টেবলদা মকোক্তা লৈবা ঙমখি অদুগা শিল্লোং লাজোংনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা তরুকশুবা মফমদা লৈখ্রে।

# ইন্দিয়াগী এথলেটশিং এসিয়ন ইন্দোরদা শরুক য়াদুনা ওলেম্পিক্স ক্বালিফাই ওইনবা মিৎয়েং থম্লি



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ূম্মু ওইদুনা গুৱাহাটি অমসুং শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা মশক থোক্না পার্ফোমেন্স উৎখ্রবা মতুং স্প্রিন্টর দুটি চান্দ অমসুং সোটপুট্টর ওমপ্রকাশ খরনা য়াওবা ইন্দিয়াগী এথলেট ১৭ না শাবা অকনবা টিম অমা ফেব্রুৱারী ১৯ দগী দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ইন্দোর চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখ্রে।

কন্টিনেন্টেল ইন্দোর চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপা এথলেট ৯ অমদি নুপী এথলেট ৮ পূন্না এথলেট ১৭ না লম্বা তৌদুনা মেদলশিং লৌনবা আশা তৌরি। টিম অসিদা য়াওরিবা শক্নাইরবা এথলেটশিং লোংজম্পতা এসিয়াগী চেম্পিয়ন ওইরিবা মায়ুখা জোনি, নুপাগী সোটপুট্টরগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ওমপ্রকাস খরনা অমদি কুমজা ২০১৫ গী কম্মনৱেলথ য়ুথ গেমসকী হায় জম্পর টেজাশ্বিন শঙ্করনা লুচিংদুনা ইভেন্ট ১২ দা শরুক য়াগনি।

চিনাদা পাঙথোকখিবা মমাঙগী এদিসন অদুদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী এথলেট মরিখক্তনা শরুক য়াখিবদা গোল্ড মেদল অমা লৌরকখিবনি।

দোহাগী এস্পাইর একাদেমী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপা এথলেটশিংনা মিটর ৮০০, মিটর ৩০০০, হায় জম্প, লোং জম্প, ট্রিপল জম্প অমদি সোট পুটতা শরুক য়াগনি অদুগা মিটর ৬০, মিটর ১৫০০, হায় জম্প, লোং জম্প, ট্রিপল জম্প অমদি সোট পুটতা নুপী এথলেটশিংনা শরুক য়াগনি।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট এদিল্লি জে সুমারিৱাল্লানা হায়খি, তরেৎশুবা এসিয়ন ইন্দোর চেম্পিয়নশিপ অসি ঐখোয় টিমগী ওইনা ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইনবা য়াম্না মরু ওইবা কম্পিটিশন ওইরি অমদি মসিনা লাক্কদবা ওলেম্পিক্কীদমক শেম শাবগী খুদোংচাবসু ওইরে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টসনা ঐখোয়গী এথলেটশিংবু চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক পূক্নিং থৌগৎপা অসি য়াম্না লাইবক ফৰনি। টিম অসিনা থৌগৎপীবগী খুদোংচাবদু লৌরগা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ঐখোয় টিম্না অফবা পার্ফোমেন্স উৎকনি হায়না থাজবা লৈ।

হন্দক্তা লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসকী এথলেটিক্সতা ইন্দিয়াগী এথলেট-শিংনা গোল্ড মেদল ২৮ য়াওনা অপূনবা মেদল ৫৮ লৌদুনা গেমস অসিদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী মকোক থোংনা লৈখিবনি। লোয়ননা গেমস অদুদা অনৌবা রেকোর্দশিংসু থমখি।

ইন্দিয়ন টিমদা কুমজা ২০১৫ গী এসিয়ন গ্রান্দ প্রী সেরিজগী লোংজম্পতা শিলভর মেদল লৌখিবা অঙ্কিৎ শর্ম্মা, এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ট্রিপল জম্পতা শিলভর মেদল ফংখিবা রেঞ্জিৎ মহেশ্বরি অমদি জোনিসু য়াওরি।

# লীএন্দর পেস - জেরেমি চার্দিনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে, দেল পেট্রোনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খোঙ থাংজিনখ্রে





দেলরে বিচ, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ

ভেটরান ইন্দিয়ন ষ্টার লীএন্দর পেস অমদি ফ্রেঞ্চ পার্টর্নর জেরেমি চার্দিনা মফম অসিগী দেলরে বিচ টেনিস সেন্টরদা চথরিবা দোল্লর ৫১৪,০৬৫ দেলরে বিচ ওপনদা মায়োক্নখিবা মার্সেল গ্রানোল্লরস অমদি সাম গ্রোথতগী প্রেসর খরা ফংখ্রবসু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

অমরোমদা দোলরে বিচ ওপনগী মেন'স সিঙ্গলসতা জুআন মার্টিন দেল পোট্রোনা মহাক্কী ওপোনেন্টপু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দো ফ্রেঞ্চকী জুরানা মার্সেল গ্রানোল্লরস অমদি সাম গ্রোথপু ৬-৩, ৪-৬, ১০-৬ তা মায়থীবা পীদুনা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেল চঙখি।

মাইক অমদি বোবনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা শান্নগদবা মিখাইল কুকুশকিননা মশাগী অশোকপা লৈবদগী শান্নখিদবনা ৱাক ওভর ফংদুনা অহুমশুবা ওইনা দবলস টাইটল লৌনবা খোঙ থাংজিল্লকখি।

ওষ্ট্রিয়ন ফ্রেঞ্চকী জুরা ওলিভর মরাচ অমদি ফেবরিস মার্টিননা অমেরিকাগী দো দেনিস কুদলা অমদি দোনেল্ড য়ংবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

চেক বেলারুসিয়ন টিম ট্রিট হুয়ে অমদি মেক্স মিরনয়িনা ওষ্ট্রেলিয়নগী খৃস গুসিওন অমদি বরনার্দ টোমিকপু য়াম্না লায়না ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। হুয়ে অমদি মিরনয়িনা সেমী ফাইনেলদা মারাচ অমদি মার্টিনগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

অমরোমদা ওপন অসিগী মেন'স সিঙ্গলসতা অর্জেন্টিনাগী জুআন মার্টিন দেল পোট্রোনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্বালিফাইয়র জান পেট্রিক স্মিথপু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা দেলরে বিচ ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবা অমদি কুমজা ২০০৯ গী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন অমদি মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ফোর দেল পেট্রোনা হায়খি, ঐনা ঐগী বেকহেন্দ অসি অথুবা মতমদা ফগৎপা ঙম্বা মথৌ তারি হায়খি।

দেল পেট্রোনা মথংগী মেচতা মঙাশুবা সীদেদ জেরিমি চার্দিগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। চার্দিনা অমেরিকাগী ৱাইল্ড কার্দ নোৱাহ রুবিনবু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি।

# ইন্দিয়াগী ৱিমেন'স টিম্না জপানগী মখূৎতা ০-৫ দা মায়থীখ্রে নুপা টিম্না চেম্পিয়নশিপ অসিদা মায় পাক্না চঙশিল্লি



হায়দ্রবাদ, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ

মফম অসিগী গাচিবোলি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা বেদমিন্টন এসিয়া টিম চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী টিম্না জপানগী মখূৎতা ০-৫ দা মায়থীহৌখ্রে।

হৌজিক চথরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী ষ্টার শট্লর সাইনা নেহৱালনা মশাগী অশোকপা লৈবদগী শরুক য়াখিদে।

পি ভি সিন্ধু অমদি জপানগী নোজোমি ওকুহারা অনীগী মেচতা ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক নম্বর ৮ শুবদা লৈরিবা জপানিজ রাইভেল অসিগী মখূৎতা ইন্দিয়াগী শট্লর অসিনা মায়থীহৌখি।

ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১২ শুবা লৈরিবা সিন্ধুনা নিংথিনা শান্নখিদুনা অহানবা গেমদা ২১-১৮ দা মায় পাকখি অদুবু মখা তাবা গেমদা মায়থীদুনা লৈহৌখি। ওকুহারানা নিংথিনা শান্নদুনা সিন্ধুদা চমন্নবা পোকহনখি। মেচ অদুদা ওকুহারানা সিন্ধুবু ১৮-২১, ২১-১২, ২১-১২ দা মায়থীবা পীখি।

হৌজিক রেঙ্ক ১১১ শুবদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী পি সি টুলাসিনা মহাক্কী রাইবেল সায়াকা সটোগী মখূৎতা ২২-২৪, ১৪-২১ দা মায়থীহৌখি। নেসনেল চেম্পিয়ন ওইরিবা রুথভিকা শিভানি গার্দ্দেনা জপানগী রেঙ্ক ১৬ শুবদা লৈরিবা য়ুই থাশিমোটোগী মখূৎতা অহুমশুবা সিঙ্গলসতা মায়থীহৌখি। হালিমোটোনা রুথাভিকাবু ২৩-২৫, ২১-১৪, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী অহানবা দবলস মেচতা জপানগী মিসাকি মাটসুমোটো অমদি অয়াকা টাফা হাশিনা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান দবলস পিয়র জৱালা গুট্টা অমদি অশ্বিনি পোন্নাপ্পাবু ২১-১২, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা দবলস মেচতা জপানগী শিজুকা মাটসৌ অমদি সামি নাইটোনা ইন্দিয়াগী সিক্কি রেদ্দি অমদি পি ভি সিন্ধুবু ১৮-২১, ২১-১১, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীখি।


দরখাষ্ট কৌজরি / [Meitei Mayek script]

Regd. No. KPL/232/Com.Estd. of 2013

Government of Manipur

1. AIR TICKETING STAFF IN IMPHAL (MALE/FEMALE)
   Qualificatioin X-XII No. of Post 22, Salary : 8,000 - 12,000/-
2. TECHNICAL DEPT. AND MOBILE COMPANY STAFF IN IMPHAL
   Qualificatioin X-XII No. of Post 35, Salary : 8,000 - 10,000 +Incentive
3. MNIPUR POST VACANCY IN OFFICE STAFF MICRO FINANCE
   i) ATM Guard, Chowkidar, peon, Driver, Qualy. VIII - X Salary : 6,500 - 8,500/-
   ii) Office Boys, Security, Gunman Qualy. VIII - X Salary : 6,500 - 8,500/-
   iii) Reception, Attendent, Loan Recovery Qualy. X - XII Salary : 6,000 - 7,500/-
4. DATA ENTRY AND TELE CALLER IN IMPHAL
   Qualification X - XII No. of Post : 28 Salary : 12,000+Incentive.
5. AIRPORT VACANCY SELECTION IN IMPHAL
   Ground Staff, Cargo Driver, Loder, Flight Cleaner,
   Qualification : VIII - XII No. of post : 20 Salary : 14,000+Incentive.
6. BANKING STAFF FOR NATIONLISE BANK (Online exm in Imphal)
   Qulification : XII-Graduate. No. of Post : 35 Salary : 18,000-35,000/-
7. PASSPORT & VIS CONSULTANCY SERVICES ARE ALSO AVAILABLE

* ইশাগী অহাংবা মতমদা EXTRA-INCOME তান্নিংবা, Student. Housewife, Un-employed, Employed শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি Qualification : VIII - above.

Income : 10,000/- - 25,000/- per month

Interview Dt. 29.2.20161

Last Date : 27.2.2016

# 8131885255/9615120590

Sd/-
Bright Community Centre
Whengbam Leikai, Near
Bheigo Hotel Leirak Machin

HL-P/7460/17,18,19,20,21,22,24,25,26